# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ খরগী মীওই ৭ ফারে।

২) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা অমসুং অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা বেঙ্গলুরুদা ঙসি বন্দে ভারত এক্সপ্রেস রেল গাড়ি অহুম লমথাগনি।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ খরগী কাদর খরা ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপাা চেরোল অমদা হায়- ইন্তেলিজেন্সকী অককবা পাউ ফংবদগী হৌখিবা নোংম নিনি অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী চথখিবা ওপরেসনদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা অমদি অতৈ আইন্না য়াদবা থবক থৌরম কয়া চথবদা চেন্নবা মীওই খরা ফাগৎখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী থিংঙেল লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো)গী কাদর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং মশাগী ময়ুমদগী ফাখি। মীওই অসি লনাই করবার তৌবা মীওইশিং অমদি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি। নুমিৎ

অসিমক্তদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খাবী ময়াই লৈকাই নম্বোলদগীসু প্রিপাক (প্রো)গী কাদর অমা ফাগৎপা ঙমখি। মহাকসু ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাদা লৈরিবা লনাই করবার তৌবা মীওইশিংবু কিহল্লগা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি।

থৌবাল জিলাগী শমরাম মমাং লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর অমা খুৎলায়গা কোন্ননা মণিপুর পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অসি থৌবাল জিলাগী মফমশিংদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা, মীচম মীয়ামদা কিহন খঙহনবা অমদি মী ফাদুনা শেল তানবদা চেন্নবা মীওইনি। মঙোনদগী থার্তি সিক্স ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম খরা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি (অপুনবা)গী কাদর অনি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ফয়েংদগী ফাগৎখি। মখোয় অনিসু মীয়ামদগী অমদি স্কুলশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী কাদর অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হাওবম মরক্তগী ফাগৎখি। মহাক তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈরিবা ডোক্তরশিংগী পাউ ফাওননবা কন্টেক্ট নম্বরশিং আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ অমদা পীরম্বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। নুমিৎ অসিমক্তদা কে.সি.পি (তাইবং ঙানবগী) কাদর অমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চীংমৈরোং মনিং লৈকাইদগী ফাগৎখি।

চান্দেল (এল) ঃ চান্দেল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লুংলে ভিলেজ অমদি লিৱা খুল্লেলগী মরক্তা চেল্লিবা মহা তুরেল মথক্তা শাবা থোং অসি ঈশিং ঈচাউনা নমথখিবনা হৌজিক মফম অদুগী মীওইশিং চাউনা অৱাবা মায়োকরে। মসিদা সরকারনা মীৎয়েং চংবীনবা ভিলেজ ওথোরিতিগী মাইকৈদগী আপীল তৌরক্লি।

ঐখোয়গী চান্দেল পাউমী জিরে মোয়োন্না হায়- হায়রিবা থোং অসি সরকারগী মতেং অমত্তা য়াওদনা মফম অসিগী মীয়ামা ৱানা হোৎনদুনা শাবা হৌবদা ঙাইরিবনি। থোং অসি লুংলে ভিলেজগী ওইনদি খ্বাইদগী মরুওইবা অমদি অমত্তা ঙাইরবা থোংনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা ভিলেজ ওথোরিতিগী সেক্রেতরি জোন চোথেনা ফোংদোরকপদা লুংলেগী মীওইশিংগী অমত্তা ঙাইরবা

চৎথোক চৎশিন তৌবগী পান্বে ওইরিবা থোং অসিদা মহৈরোইশিংনা স্কুল চৎপা, অনা অয়েক য়াওরকপা অমদি তঙাইফদবা থবক কয়া চৎপদা শিজিন্নরিবা লম্বী অসি ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইরগা নমথখিবা অসিনা লুংলে মীয়ামদা অৱাবা মায়োকরে। মসি অথুবা মতমদা সরকারনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়রি।

তেংনৌপল (এল) ঃ হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংবু শোইদনা মহৈ মশিং তমজবা ঙমবগী পান্দমদা তেংনৌপল জিলাগী মনুংদা লৈবা চহি ৬ তগী ১৮ ফাওবগী অঙাংশিংগী নুমিৎ নিনি চখুগদবা মেগা আইদেন্টিফিকেসন-এসেসমেন্ট কেম্প অমা ঙরাংদগী খাংসিম ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে। নিউ ইজ্কেসন পোলিসি ২০২০ চৎনরকপা চহি মঙা শুবগী থৌরমগা মরী লৈননা চয়োল অমা চুপা পাঙথোক্লিবা চিলদ্রেন ৱিথ স্পেসিয়েল নিদস (সি.দব্লিউ.এস.এল)গী মেগা আইদেন্টিফিকেসন এসেসমেন্ট অমদি এইদস এন্দ দিভাইসশিং য়েন্থোকপগী শরুক অমা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

দিষ্ট্রিক্ট প্রোজেক্ট ওফিসার সমগ্রা শিক্ষা- জোনেল ইজ্কেসন ওফিসার তেংনৌপলনা কম্পোজিৎ রিজনেল সেন্তর ইম্ফাল, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি তেংনৌপলগী রাষ্ট্রিয়া বাল স্বাস্থিয়া কারিয়াক্রম, দিষ্ট্রিক্ট দিসএবিলিতি রিহেবিলিতেসন সেন্তর তেংনৌপল অমদি আর্টিফিসিয়েল লিম্বস মেন্যুফেকচরিং কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া রিজনেল মার্কেতিং সেন্তর গুৱাহাতিনা পুন্না শিন্দুনা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা অঙাংশিংদা মখোয়গী তঙাইফদবা এইদস অমদি এসিষ্টিভ দিভাইসশিং য়েন্থোকখি।

তমেংলোং (এল) ঃ লাক্কদৌরিবা ৭৯ শুবা নীংতম নুমিৎ পালনগী মাংওইননা সেনাপতি জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা জিলা অসিগী সবদিভিজনেল ওফিসশিং অমদি অতৈ মফম কয়া লম তু শেংবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সবদিভিজনেল ওফিসারশিং, সি.ই.ও-এ.দি.সি, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং য়াওনা অতৈ ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদু লোইরকপদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না দি.এল.ওশিংদা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল য়েন্থোকখি। হায়রিবা অসি হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা য়েন্থোকখিবনি।

রক্সা বন্ধন (এল) ঃ মচিন মৌপৱাগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লিবা রক্সা বন্ধনগী থৌরম মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ভারত লান্মীনা শিন্দুনা ঙরাং পাঙথোকখি।

মণিপুরগী ওইনা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থৌরম অসি পাঙথোকখি। মফমশিং অদুগী ফৌগাকচাউ ইখায়, অৱাং লৈকাই, মমাং লৈকাই, সাইতোন কৈথেল, খোইরেনতাক খুমন, ফুবালা, ঙাংখা লৱাই, মোলফৈ তম্পাক, থিনুংগৈ য়াওরি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি)না হায়রি- মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা অমসুং অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুগনি।

পাউ অসিনা হায়- মণিপুর, নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়, মিজোরম, ত্রিপুরা, সিক্কিম, নোংচুপ বেঙ্গল, অন্ধ্র প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবান অমসুং মধ্য প্রদেশকী নোংচুপ থংবা শরুক্তা অকনবা নোং চুগনি। উত্তরাখন্দদনা ঙসি য়ামা কনবা নোং চুগনি হায়রি। হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, উত্তর প্রদেশকী নোংপোক অমসুং নোংচুপ থংবা শরুকশিংদসু ঙসি অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি নোংমগী খোঙচৎতা বেঙ্গলুরুদা চৎকনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী মোদিনা বেঙ্গলুরুগী কে.এস.আর রেলৱে ষ্টেসনদা বন্দে ভারত এক্সপ্রেস রেল গাড়ি অহুম লমথাগনি। রেল গাড়িশিং অদুদি

বেঙ্গলুরুদগী বেলাগাভি য়ৌবা, অমৃটসরদগী শ্রীমাতা বৈষ্ণো দেবী কাত্রা য়ৌবা অমসুং নাগপুরদগী পুনে ফাওবা চেনগদবা রেলগাড়িশিংনি।

মদুগী তুংদা শ্রী মোদিনা বেঙ্গলোর মেত্রোগী য়েল্লো লাইন লমথাগনি অমসুং আর.ভি. রোড, রাগিবুদাদগী ইলেক্ত্রোনিক সিতি মেত্রো ষ্টেসন ফাওবা শ্রী মোদিনা মেত্রো রেল তোংদুনা চৎকনি। প্রধান মন্ত্রিনা বেঙ্গলুরুদা অরবান কন্নেক্তিভিতি প্রোজেক্টশিংগী উরেপ উয়ুং তমগনি অমসুং মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংগনি। শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ১৫,৬১০ চংনবা পায়খৎকদবা বেঙ্গলোর মেত্রো ফেজ থ্রি প্রোজেক্ট শানবা উরেপ উয়ুং তমগনি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসিগী অশাংবা অসি ইলিভেতেদ ষ্টেসন ৩১ য়াওনা পুন্না কিলোমিতর ৪৪ রোম ওইগনি।

ত্রেন ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কাশ্মীর তম্পাক্তা অহানবা পোৎ চৈ পুবা রেল গাড়িশিং য়ৌরকখিববু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। শ্রী মোদিনা হায়- লমদম অসি লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা রেল গাড়িগী মতেংনা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা য়ারকপা অসি য়ামা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- খোঙথাং অসিনা জম্মু কাশ্মীরগী লল্লোন ঈতিক অমসুং চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙম্লগনি।

রেল মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হিরম অসিগী মতাংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা হায়- পোৎ চৈ পুবা রেল গাড়ি অদু পঞ্জাবতগী লাক্লগা কাশ্মীর তম্পাক্কী নৌনা কশ্মিসন তৌবা অনন্টনাগ গুদস সেদতা ঙরাং থুংখিবনি। মহাকা হায়- রেলৱেগী খুথাংদা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা অসিনা ভারা হন্থহন্দুনা মফম অদুগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

জরমন নত্রগা টাইগর রোডকী দিমান্দ, দোনরনা চীফ সেক্রেটরিদা খঙহল্লকখ্রে- শেমদবা য়াদে হায়রকপা লৈতে, ষ্টেটকী দরকার ওইরবদি খন্নবা য়াব্রা হায়রকপনি হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদা অহোংবনা থল্লবা শিরুই উমংনা উখ্রুলদা কয়াম কুইনা ঈশিং পীবা ঙমখিগনি হায়বা পাউ অমা এনকর কলমদা এক্সক্লুসিভ রিপোর্ট ওইনা ফোংলে।

পোকফমদা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ দি ৱার্ল্ডস ইন্দিজিনস পিপলস পাঙথোকখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরে। মণিপুরগী নাগা লুচিংবশিং উবা ফংখিদে, থাদৌ ত্রাইবতি য়াওখি হায়বা সবহেদলাইন অমসু পীরি। পাউচে অসিদা থাদৌ ইনপি মণিপুরনা থাদৌ কাংলুপকী মহুৎ শিনবা য়ারোই হায়বা কুকি ইনপী মণিপুরগী ৱাফম অসি অহানবা লমায়দা ফোংলে।

ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগা তাইনদবা অরুনাচল প্রদেশকী পংসাউ পাসতা লৈবা অসাম রাইফলসকী পোষ্টতা লান্দাখ্রে, এটেক অসি এন.এস.সি.এন (কে) অমসুং উলফা (আই)না চথবা ওইগনি থাজনরি হায়বা পাউ অসি হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদা বি.জে.পি অমসুং চুংশিন্নবা এম.এল.এ ৫৪ লৈরবসু লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রিবসি লো এন্দ ওর্দর ফেল ওইরি হায়বনি হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফমসু অহানবা লমায়দা ফোংলে।

নহারোলগী থৌদাংদা ভেল্লি বেজ পুলিস য়ুনিতশিং চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লৌথোক্কদবনি হায়বা কোতুগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলে। পাউচে অসিদা ফেক করেন্সিগা কোন্ননা মীওই অনি পুলিসনা ফারে, ফেক করেন্সি নেটৱার্কিং স্কেমদা চেন্নব্রা থিগৎলি হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমায়দা ফোংলে।

চীংগা ফাওনরিবা লম্বীশিং য়েংশিন্নবা সেন্তরনা মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহল্লকখ্রে হায়বা পাউ অসি সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদা মণিপুর অমসুং ত্রিপুরাদা মীতোপ মীয়ানচাশিংগী চৈথেং মায়োকরি হায়বা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী ৱাফম অমসু অহানবা লমায়দা ফোংলে।

পিপলস ক্রোনিকলদা জরমন রোড শেম্বগী প্রপোজেল রাজ্য সরকারনা য়াদ্রবসু সেন্তরনা মতেং পাংলি হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা মণিপুর কাদর আই.এ.এস ওফিসার মোসেস চলাইনা নোর্থ ইষ্টকী অহানবা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী হেদ ওইরগনি হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলে।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মণিপুরদা সেম থাবা চাউনা মায় পাকপগী পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউচে অসিদা রাজ্যগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা সেন্তরদা অহেনবা ফরতিলাইজর থাবীরকবা হায়জখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি

------